# তোকপম য়াইপী চনুনা ফিল্মদা খোঙ থাংজিল্লকপা

**থম্মোয় পাউদম ও সি মৈরা**


তোকপম য়াইপীনা ইবা মণিপুর শোর্ট ফিক্সন ফিল্ম *লিংজেল* গী মতাং অমা

য়াইপী চনু ওজা অমা ওইনা মীয়াম্না শকখঙনৈ। কুমজা ২০১২ দা ষ্টেট টিচর এৱার্দসু ফংখ্রবীনি। মহাক্না ইবা শৈরেংগী লাইরিক *আশা* কুমজা ২০১১ দা ফোঙই। ঈং-তপ্পা অমসুং মোমোন নোকপা মায়থোংগা লোয়ননা হিংলিবী য়াইপী কুমজা ১৯৮৭ গী ওক্টোবর ১ কৈশামথোং হোদাম লৈরক্তা পোকই। তোকপম চন্দ্র (থৱায়লেম্বা) অমসুং লৈখিদ্রবী তোকপম ওংবী থম্বালতোম্বীগী মচানুপীনি।

কুমজা ১৯৯৫ গী মার্চ ১১ দা য়ুম্নাম লৈকায় নম্বুল মপালদা লৈবা ফৈরোইজম ওকেন্দ্রোগা পুন্সি য়ুম্বাল লম্বীদা খোঙদামিন্নখি। হৌজিক হৌজিক্লা লংথবাল ফুরা মখোঙ প্রাইমারীদা ওজা ওইনা থবক তৌরি। সিনে রাইটরর্স গিল্ড মণিপুরগী এক্সিজিক্যুটিব মেম্বর ওইনা থৌ পুরিবী য়াইপীনি। জি পি ৱিমেন্স কোলেজদগী আর্টস সবজেক্টদা গ্রেজুয়েসন লোয়রকখি। সিনে রাইটরর্স গিল্ড, মণিপুরনা শীনবা অহানবা মণিপুরী ফিল্ম স্ক্রিপ্ট চাংদম্নবদা লুপা লিশিং ১০ গী শেনফম য়াওবা এৱার্দ অমগী দোনরস ওইখি। এৱার্দ অদুগী মিংথোন্না তোকপম ওংবী থম্বালতোম্বী দেবী মেমোরিএল এৱার্দ ২০১৫ হায়বসিনি।

ওজা ওইনা ওইনা অইবী অমা ওইনিংবগী মতম শাংনা মং মংলক্লবা তুংদা ফিল্ম স্ক্রিপ্ট ইবী অমসুং ঈশৈ ময়েক ইবী অমা ওইনা মীয়াম্না শকখঙনরবী তস্ফাসনা আর কেগা পুনখিবদগী ইবগী লম্বীদা চঙলকপগী খুদোংচাবা ফংখি। ঙসিদি য়াইপী ইবগী লম্বীদা ফনা য়াম্না চঙশিনবা হৌরক্লে। মরমসিমক্লা মণিপুরদা অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা সিনে দিরেক্টরস গিল্ড মণিপুরগী ঐচ ভি এস মণিপুরী শোর্ট ফিল্ম ফেষ্টিবেল ২০১৫ দা মহাক্না ইবা শোর্ট ফিল্ম অমা উৎপা ঙমখি। ফিল্ম অদু ফেষ্টিবেলগীদমক্তা থাজিল্লকখিবা ফিল্ম ৬৩ গী মনুংদা ৩৬ খক খনগৎলগা ফেষ্টিবেলগীদমক শরুক য়াহনখিবদা য়াওবা ফংখিবা ফিল্মনি। ইপাক ফিল্ম প্রদক্সন্না পুথোকপা ফিল্মনি। দিরেক্টরনা রাকেশ নাওরেমনি। ফিল্ম অসিদা মরুওইবা শক্তম লাংলিবশিংদি রেস্মি, মংলেম, ইবোমচা, রবি, দিপু অমসুং বি দিশিরাজনি। মেক-অপ দাবো ৱাঙ্গোইনা ওইরিবা ফিল্ম অসিগী সিনেমাটোগ্রাফিনা প্রেমচান্দ নমরানি। এসিষ্টেন্ট এদিটর রোনান্দো এলাংবমনা ওইরিবা ফিল্ম অসিগী এদিটর সোমোরজিৎ হাওবমনি। রামৈ কৈশামচানা ম্যুজিক দিরেক্টর ওইবা ফিল্ম অসিগী লাইটকী থৌদাং লৌরিবনা জিতেন মাইবমনি। রাকেশ মমাঙদা অমুক্তসু ফিল্মগী দিরেক্টর ওইনা থোরকখিদ্রি। মতম শাংনা ফিল্মগী প্রদ্যুসর ওইরক্লবা রাকেশনি। মহাক্না প্রদ্যুসর ওইখিবা ফিল্মশিংগী মনুংদা পনবা য়াবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম খরদি *শকহেনবী ইতৈমা, ফোঙদোক্ল দ্রিবৈঙে, ঙাইনা-ঙাইনা, ঈগী খোঙ্গুল* অমসুং *লৈইসিগী ৱাংমদা* নি।

ফিচর ফিল্মগী প্রদ্যুসর ওইরক্ত্রিবৈঙেগী মমাঙদা দোক্যুমেন্টরি অমসুং শোর্ট ফিল্মগী প্রদ্যুসর ওইনা থোরকখি। মহাক্কী দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অনী অদুদি পদ্মশ্রী লাইশ্রম নবকিশ্বর: কথোকপগী শক্লোন অমসুং তোল্লবশিংগী তোলেননি। শোর্ট ফিল্ম অনী অমসু প্রদ্যুসর ওইনা হান্না পুথোকখি। প্রদ্যুসর ওইখিবা শোর্ট ফিল্ম অনী অদুদি *শাগৈগী শনারৈ* অমসুং *নুমিৎ মানা তাদ্রিবৈঙে* নি। তোঙান তোঙানবা মখলগী লাইরিক তরুক পুথোকখিবতা নত্তনা পাউমী অমা ওইনা লৈরিবা মীশক অমনি। পনবা য়াবা ৱাফম অমদি রাকেশসু ওজা ওইনা মতম খরা লৈরম্মী। ওজা অমা ওইবদা থেংনরিবা অৱা-অনা পুম্ন মক শুনা খঙলবা মীওই অনীনা পুনশিন্দুনা মণিপুরী শোর্ট ফিল্ম অমা পুথোরকপসি নৈননিংঙাই ওইবা য়াবা ৱাফম অমনি। মখোয়না পুথোরক্লিবা মীনিট ১০ রোমতমক শাংবা শোর্ট ফিল্ম অসিদা মহৈরোয় ওইরিবা অঙাং অমনা কাঙলুপকী ঈরাংদা থেংনবা অৱাবা খুদোংথিবদুমক উৎনবা হোৎনৈ। মসিমক ওজা ওইনা লৈরুবগী খুদোলনি হায়না লৌদবা য়ারোই। চীং-তম অমত্তনি হায়দুনা লৈমিন্নরগা ইতৎ-তৎতনা কাঙলুপকী ঈরাং থোকহন্নবা মীওই খরনা শিল্লকপা অসিনা তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা মহৈরোয়শিংগী ৱাখলদা মনিং তমজদবা পোকহল্লি হায়না পাউজেন্নবা হোৎনরিবা শোর্ট ফিল্মনি।

অহানবা খুৎথা ওইবনিনা মফম খরদা পেন্দবা লৈনরগসু শোর্ট ফিল্ম অসিদি মায় পাক্লবা শোর্ট ফিল্ম অমনি হায়দবদি য়ারোই। অদুবু অশাংবা ৱারী অমা শাগৎতুনা লৈবগী মহুত্তা শোর্ট ফিল্মগী মচৎতা পাউখোং চল্লম্বা অদুগী তঙাইফদবা লৈরি হায়বসিমদি নীংশিংফম থোক্লে। কেমেরাগী ফজবা, অশাংবা ৱারীগী ফজবা লৈতবদি নত্তে। ইহান হান্না দিরেক্টর অমা ওইনা থোরকপদা ফনা নীংথিজনা পুথোরকপা ঙম্বা অসিমক তুংগী লম্বী লৈরি তাকপনি। তোকপম য়াইপীনা তুমীন্না লৈরম্বদগী খঙহৌদনা অসিগুম্বা মখলগী ফিল্ম অমদা খোঙ থাংজিল্লকপা অসিনা তাক্লিবদি য়াইপী তুমীন্না লৈথোক্লোইদৌরি হায়বসিনি। ঈশৈ ইনবা হোৎনৈ। ঈশৈ কয়া ইখ্রে। মহাক্কী ঈশৈশিং চেফোঙদা ঐখোয়না পাবা ফংখ্রে। হৌজিক মথৌ তারক্লিবদি য়াইপীগী ঈশৈশিং অহিংবা ওইহন্নবগীদমক শৈশকপ-শিংনা শকহল্লগা ফিল্ম ঈশৈ অমসুং মণিপুরী ম্যুজিক ভিদিও এলবমগী ঈশৈশিং ওন্থোকপগী তঙাইফদবদুনি। অমুকখক্তং ফোঙনা লাউনা ঙাল্লম্লগা তুমীন্না লৈবনদি মীয়াম্না থাজবা থম্বগী চাং হন্থখিগদবনিনা য়াইপীনা মখা তানা ফিল্ম ইবগী লম্বীসিদা চঙশিল্লকপগী মথৌসু তারি।

লৌশিং পুক্কে

# মৈখু শীজিন্নবনা কেন্সর ওইহল্লকপদা নত্তনা কয়াৎ খুদিংমক শোকহল্লি, অঙাং ওইবা ঙমহন্দে



মৈখু শীজিন্নবনা কেন্সর, থম্মোয়গী লায়না অমসুং লংসতা অমাঙ-অতা থোকহল্ল-কপখক নৎতনা ফর্টিলিটি মাঙহন্দুনা অঙাং ওইবা ঙমহন্দে হায়বা রিছার্সরশিংনা থিজিনবদগী খঙলে।

বফেলোদা লৈবা রোজৱেল পার্ক কেন্সর ইনষ্টিট্যুটকী দেনিয়ল স্মিথ অমদি মহাক্কী কাঙবুনা হায়খি, মপুন্সিদা মৈখু শীজিন্নরক্তবা নুপীশিংনা চাংদম্নদুনা য়েংবদা কা-হেন্না মৈখু শীজিন্নবা অমসুং নহা ওইনা মৈখু শীজিন্নরকপা নুপীশিং চহী ২ ঙনখৎনা থাগী খোঙকাপ লেপখি।

'টোবেকো কন্ট্রোল' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা রিছার্সরশিংনা হায়খি, মশামক মৈখু শীজিন্নদবা তারবসু অয়াম্বা মতমদা মৈখু শীজিন্নবা মীগী মনাক্তা লৈবদগী নিংশা শ্বর হোঞ্জিনবদা মৈখু য়াওখিবা নুপীশিং থা ১৩ ঙনখৎনা থাগী খোঙকাপ লেপখি হায়বা খঙলে।

কুমজা ১৯৯৩ দগীনা কুমজা ১৯৯৮ ফাওবগী মরক্তা ৱিমেন'স হেল্থ ইনিসিয়েটিব ওবজার্ভেসন ষ্টদিগী শরুক অমা ওইনা নুপী ৯৩,০০০ গী মরমদা থিজিনখি।

মপুন্সিদা চুরূট মচৈ ১০০ নৎত্রগা মসিদগী হেন্না থক্লকপা নুপীশিং ইনফর্টিলিটিগী রিস্ক চাদা ১৪ হেনগৎলকই অমসুং মশাগী চহী ৫০ শুদ্রিবৈঙেদা থাগী খোঙকাপ লেপখিবা য়াবগী রিস্কনা চাদা ২৬ হেনগৎলকই হায়বা ষ্টদি অদুদগী খঙবা ঙমখি। মৈখু শীজিন্নবনা থাগী খোঙকাপ ঙন্তানা খমহল্লি হায়বসি মমাঙদা পাঙথোকখিবা অতৈ ষ্টদিশিংদগীসু খঙবা ঙমখ্রবনি।

কনাগুম্বা মীওই অমনা মশামক মৈখু শীজিন্নদবা তারবসু অয়াম্বা মতমদা মৈখু শীজিন্নবা মীওই অমগী মনাক্তা লৈবা তারবদি মদুবু পেসিভ স্মোকিং হায়না খঙনৈ। নুপী অমনা মৈখু শীজিন্নবা মীওই অমগা লোয়ননা চহী ১০ চুপ্পা ইমুং অমত্তদা পুন্না লৈমিন্নবা নৎত্রগনা মৈখু শীজিন্নবা মীওই অমগা পুন্না চহী ১০ থবক তৌমিন্নরকপা তারবদি মীরোনবা ঙমদবগী রিস্ক চাদা ১৮ লোম হেনগৎলকই। ষ্টদিদা শরুক য়াখিবা নুপী চাদা ১৫ রোম চহী চুপ্পা মীরোনবা ঙমদবগা লোয়ননা নুপীগী চাদা ৪৫ দি মশাগী চহী ৫০ শুদ্রিবৈঙেদা থাগী খোঙকাপ লেপখিরম্মী।

নুপী ফর্টিলিটি রেট হন্থরকপগী মতাংদা চহী কয়াগী মমাঙদগী অখঙ-অহৈশিংনা য়েৎনদুনা লাকখি। বোটল, কেন অমদি ৱাটর সপ্লাইজদা য়াওবা এন্দোক্রাইন দিসরপ্টর কৌবা কেমিকেলশিংনা থৌওং অসি ওইহল্লকপনি হায়না থাজনখি। অদুবু হায়রিবা কেমিকেলশিং অসি হীদাক মনাগী পোত্থোকশিংদসু য়াওই হায়বা খঙলকখি। রিছার্সরশিংনা হায়খি, চুরূটকী মৈখুদা য়াওবা টোক্সিনশিংনা ফর্টিলিটি সাইকলগা মরী লৈনবা হোর্মোন পুথোকপদা চাউনা অপনবা থোকহল্লি। মরম অদুনা অঙাং ওইবা ঙমহন্দবনি। হীদাক মনাগী পোৎলমদা য়াওবা কেমিকেলনা ইষ্ট্রোজেন (হোর্মোন) দা অকায়বা থোকহন্দুনা কনাগুম্বী নুপী অমবু মনুং মতম চাদনা থাগী খোঙকাপ লেপহনবনি হায়বসু রিছার্সরশিংনা খঙলকখি।

মৈখু শীজিন্নবনা নুপাদসু চাউনা অকায়বা থোকহল্লি হায়বা খঙলে। খুদম ওইনা নুপাগী 'ৱাই' ক্রোমোজোম শোকহল্লি। পুন্নমক অসি খঙনরকপদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা মৈখু শীজিন্নবগী চাং অসুম অসুম হন্থরক্লে। সেন্টরস ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সনগী রিপোর্ট মতুংইন্না কুমজা ২০০৫ দগী কুমজা ২০১৪ ফাওবদা য়ু এসকী মীওইশিংনা মৈখু শীজিন্নবগী চাং চাদা ১৬.৮ হন্থরকখি। হায়রিবা মতম অদুগী মনুংদা মৈখু শীজিন্নবগী চাং চাদা ২০.৯ ওইরম্বদগী চাদা ১৬.৮ দা হন্থরকখি। থবক মফম অমসুং মীয়াম তীনবা মফমদা মৈখু শীজিন্নবা থিংবদগী পেসিভ স্মোকিং নৎত্রগা সেকেন্দ হেন্দ স্মোকিংসু মপুং ফানা ঙাকথোকপা ঙল্লম্মী। য়াম্না শেংনা হায়রবদা মৈখু শীজিন্নবনা হকচাংগী কয়াৎ খুদিংমক শোকহল্লি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চহী খুদিংগী মীওই মঙা শিবগী মনুংদা মীওই অমমমদি মৈখু শীজিন্নবনা মরম ওইরদুনা শিহনবনি। ইচম চম্বা মীওই অমগা চাংদম্নবা মতমদা মৈখু শীজিন্নবা মীওইশিং টাইপ-টু দাইবেটিস নারকপা য়াবগী রিস্ক চাদা ৩০ দগী চাদা ৪০ ফাওবা হেনগৎলকই। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টদিশিংদা মৈখু অমসুং হীদাক মনাগী পোৎলম শীজিন্নবনা শরূ পাথহল্লি হায়বা খঙলকখি। মৈখু শীজিন্নবা মতমদা ওষ্টিওপোরোসিসকী রিস্ক হেনগৎলকই। ওষ্টিওপোরোসিস হায়বসিসু শরূ পাথরকপদগী ইরায় লায়না তেক্লকপা য়াবগী থৌওংনি।

মৈখু শীজিন্নবা মতমদা ব্লদ সেলশিং অমাঙ অতা থোরক্তুনা হার্টকী মথৌদা অকায়বা পীরকই। মসিনা মরম ওইরদুনা ঈ উতোংদা নপ-নপ লাউবা মপং-মপং পৈশিল্লকপদগী এথরোস-ক্লেরোসিস ওইহল্লকই। মফম খরদা ঈ উতোং চাউথোরক্তুনা পোকখায়রকপদগী মী শিহনবা ফাওবা য়াই।

কোরোনরি হার্ট দিজিজ (সী ঐচ দি), হার্টকী অতোয়বদা লৈবা ঈ উতোং খূজিল্লকপা নৎত্রগা ফুঞ্জিল্লকপা, হার্ট এটেক, ষ্ট্রোক, থবাকনাবা, লংস শোক্লকপদগী চনিংতানা নিংশা শ্বর হোনবা ঙমদবা, ক্রোনিক ব্রোঙ্কাইটিক, ন্যুমোনিয়া, অজমা, ট্যুবরকুলোসিস, মীৎ উহলক্তবা অমদি অতৈ খুদোংচাদবা কয়ামরুম ওইহল্লকপা য়াই।

চুরূটকী মৈখুদা চাউরাক্লা কেমিকেল ৭,০০০ লোম য়াওই। মসিগী মনুংদা কেমিকেল ৭০ রোম্না কেন্সর ওইহল্লকপা য়াই। লংস কেন্সর ওইহল্লকপগী মতাংদা খ্বাইদগী মরুওইবা মরমদি মৈখু শীজিন্নবনি। পুন্নমক অসিগী মথক্তা মৈখুনা হকচাংগী কয়াৎ খুদিংমক শোকহল্লি। লংস, ট্রেচিয়া, ব্রোঙ্কস, ইসোফেগস, ওরেল কেভিটি, চীনবাল নেসোফেরিংস, নেজেল কেভিটি লেরিংস, চাকখাউ, ব্লেদর, পেনক্রিজ, কিদনি, লিভর, য়ুটেরাইন সর্ভিক্স, কোলোন অমদি রেক্টমদা কেন্সর ওইহল্লকপা য়াবগা লোয়ননা ব্লদ কেন্সর (ল্যুকেমিয়া) সু নাহল্লকপা য়াই। তোঙান-তোঙানবা চুরূট মখলশিংগী মনুংদা হকচাং শোক্তবা অমত্তা লৈতে। মেনথোল য়াওবা ওইরবসু য়াওদবসু ওইরবসু চপ মান্নবা মওংদা হকচাং শোকই। কনাগুম্বা মীওই অমা নুমীৎ খুদিংগী মৈখু শীজিন্নবা মতমদা লংস অমসুং হার্টকী লায়না পোক্লকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকই।




## ১৬ শুবা রূপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিএল দ্রামা ফেষ্টিবেল ২০১৫

# *চরুগী মী অমসুং কৈদৌঙৈ লোইগনি উৎখ্রে*


*কৈদৌঙৈ লোইগনি* দ্রামাগী মতাং অমা

**নোমিতা খোংবান্তাবম**

হৌখিবা জন্যুৱারি ৬ তা ন্যু দ্রামাটিক য়ুনিয়ন্না ১৬ শুবা রূপমহল মেমোরিএল দ্রামা ফেষ্টিবেল ২০১৫ গী ঙরাংগী প্লে ওইনা *চরুগী মী* উৎখ্রে। অদুবু প্রেস ছুটি ওইখিবনা মরম ওইদুনা মীয়ামদা *চরুগী মী* গী মপাউ নোংঙানবা নুমিৎকী অয়ুক্তা তম্বা ঙমখিদবগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

অদুবু হৌখ্রবা *চরুগী মী* গী মতাংদা শল্লপ্পা থমজগে। খুন্নাই অসিদা হিংলিবা মীওইবা খুদিংমক্লা মচা-মশুশিংগীদমক ঙস্লিবমখৈ হোৎনৈ। অদুবু মচা-মশুশিংগীদমক্তা হোৎনরিবা অদুনা পুন্সিদা কয়া য়াম্না নুংঙাই-য়াইফহল্লিবগে হায়বসিনা লীলা অসিগী ৱাহং ওইরক্লি। মী হায়বসি কয়ামুক য়াম্না থাজবা য়াবগে। মচাশিং মতিক চানা মহৈ তমহল্লুরগা মহৈগা চান্নবা শিনফম পীবা ঙমদ্রবদি চরুগী মীগুম্না চন্নফম খঙদনা মাঙখিবা তাবনি। পুম্নমক অসি করপসন্না থোকহনবনি। করপসন মুথৎসি হায়বসিনা দ্রামাসিগী পাউজেলনি। দ্রামা অসিদা দিপোচন্দ্র, কে নিলাচন্দ্র, আই দিনে, শান্তিকুমার, হেম্বা, মোর্নিংসন, অঙৌবা, মার্টিনা, রোজি, বোমনি, আশা, পুস্পা, নিংথৌবী, সিলভিয়ানা মরুওইবা শক্তম লাংলি। ষ্টেজগী থৌদাং নবকুমার, লোকেন্দ্রো অমসুং নোবোনা পুরি। ম্যুজিক নাওবীনি। শৈশকপশিংনা বিদ্যানিধি শর্ম্মা, পোদাসনা, সুশিলা, অঞ্জু অমসুং বসন্তনি। মেক-অপনা নাওবা অমসুং বিশমভোর, লাইটনা গোপিমোহোন অমসুং কম্মননা ওইরি।

ফম্বাক লীলা অসিগী দিরেক্টর জয়কুমারনা ওইরগা ঈশৈ ময়েক অমসুং অইবনা ৱাই জয়কুমাররনি।

ঙসি চথরিবা ১৬ শুবা রূপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিএল দ্রামা ফেষ্টিবেল ২০১৫ দা কংলৈ লিভিং আর্টিষ্টকী *কৈদৌঙৈ লোইগনি* হায়রিবা লীলা অসি উৎখি। লীলা অসি মণিপুরদা মতম খরগী মমাঙদা ইতৎ-তৎতনা থোকখিবা ফেক-এনকাউন্টরগী থৌদোক্কা মরী লৈননা শাগৎপা ৱারীনি। থোইবা মমা অমসুং মচলগা চম্না পূন্সি লেঞ্জবা মীশকনি। নোংমা নোংমৈ কাপ্লবগী থৌদোক অমদা থোইবগী য়ুমদা খুৎলাই পায়বা লালহৌবশিং চেনশিল্লকখি। লালহৌবশিং অদু ফাননবা হোৎনবদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অদুনা মীওই অদু ফানবা হোৎনবদা য়ুম অদুদা থোমজিল্লকখি। লালহৌবশিং খুদক্তা পুন্সি পীখম্নহনখি। লালহৌবশিং অদুনা পুরকপা শেলশিং অদুসু সিক্যুরিটি কাঙবুনা লৌশিনখি। থোইবা মরাল লৈতনা কৈশুমশঙদা পূন্সি লোইখি। থোইবগী অৱাবা খোঙচৎ অসি কৈদৌঙৈ লোইগনি হায়দুনা হংলকপা অসিমক্লা ফম্বাক লীলা অসিগী মিংথোন ওইরকই।

লীলা অসিদা শক্তম লাংলিবশিংদি ওইনাম ধারা, লৈহাওথাবম খেখে, ওইনাম প্রেমকুমার, সলাম প্রেমকুমার, শগোলশেম বিজেন, ময়াংলম্বম হেমন্তা, সলাম বিশ্বর্জিৎ, সরাংথেম পুস্পারানি, মৈকাম বেবিগ্রেস, ওইনাম সনামচা, বুধ, কান্তা, তোম্বা অমসুং থাসনানি। লাইট রঞ্জিৎনা ওইরগা মেক-অপনা উশারানিনা ওইরি। ম্যুজিক রিঙ্কো, মনিথোইবা অমসুং লিম্বুনি। ফম্বাক লীলা অসি থৌনাওজম প্রেমজিৎনা ইরগা মশামক্লা দিরেক্সন পীবনি। কংলৈ লিভিং আর্ট (কংলা) হায়রিবা অসি উচিৱাদা বেজ তৌবা ঠিএটরগী লূপ অমনি। লূপ অসিনা অখন্নবা ঠিএটর ফেষ্টিবেলসু মমাঙদা কয়ারক হন্না পাঙথোকখ্রবনি। ইম্ফালদগী খরা তাম্লক্লা লৈজরবসু মণিপুরী ঠিএটরদা মশাগী মফম অমা কঞ্জরিবা ঠিএটরগী লূপ অমনি হায়বসি ঙসি উৎখিবা লীলা অসিনা ময়েক শেংনা উৎলে হায়বা তাই।

হয়েং ৮/১/২০১৬ তা ৱাঙ্গোই দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী *সঞ্জীভানি মন্ত্রা* হায়রিবা লীলা অসি উৎকনি







